# হীদাক কান্নরবা পান্থীশিং ঃ হৈরীত

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



হৈবোং পান্থীগী কাঙলুপ্তা চনবা হীদাক কান্নরবা উ পান্থীশিংগী মনুংদা হৈরীত নৎত্রগা হৈইত নৎত্রগা চীং হৈইত হায়রিবা পান্থী অসিসু অমনি। হৈরীত পান্থী অসি ইংলিসতা ৱেলদগেলিফ (Wedgeleaf), হিন্দিদা জাহরফালি (Jaharphali), বেঙ্গলিদা দুম্বুর (Dumbur), বাংলাদেশিদা সাদিমারি দুমুর (Sadimadi Dumbur), ত্রিপুরিদা থাইজাং (Thaijang), গারোদা এনিনসেপ (Aninsep), নেপালিদা খশরে খনিয়ুম (Khasarey Khanium), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ফিক্স সেমিকোর্দাতা (Ficus semicordata Buch-Ham. ex Sm.)* নৎত্রগা *ফিক্স ক্যুনিয়া (Ficus cunia Buch-Ham. ex Roxb.)* নৎত্রগা *ফিক্স কোংগ্লোমেরাতা (Ficus conglomerata Roxb)* নৎত্রগা *ফিক্স হেপালোফাইলা (Ficus hapalophylla Kurz.)* নৎত্রগা *কোভেলিয়া ক্যুনিয়া (Covellia cunia Miq)* নৎত্রগা *কোভেলিয়া কোংগ্লোমেরাতা (Covellia conglomerata (Roxb.) Miq)* হায়না কৌই অমসুং মোরেসী *(Moraceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। হৈরীত পান্থীগী মনাশিং অদু শাংতক্লা য়ান্থদুনা পানবদগী ময়াম্না পান্থী অসিবু দ্রুপীং ফীগ *(Drooping fig)* হায়নসু তোয়না কৌনৈ।

হৈরীত পান্থীগী বোতানিকেল ওইবা মমিংগী স্পিসিসকী মমিং সেমিকোর্দাতা হায়না কৌবগী মরমদি পান্থী অসিগী মনা অমগী মসা নাক অনীনিদু মান্নদে, থৌওং অসিবু ঐখোয়না এসিমিত্রি *(Asymetry)* হায়না কৌই অমসুং নাকল অমগী মখোকলোম থংবা শরুক অদু মতোন হুইথজরবসু অতোপ্পা নাকল অমদুদি ক্বা মনাগী মওংদা থবোম্বীগী মওং হায়বদি কোর্দেত মওং মানবদগী পান্থী অসিগী স্পিসিসকী মমিং অসি সেমিকোর্দাতা হায়না থোনবনি। হেরীত পান্থী অসি ময়া ওইরপ্পা চাওবা মতোন্দা মনা য়াম্না পুঙবা মতম অয়ান্বদা শংদুনতা লৈবা ফুট ৩০ ফাওবা ৱাংবা উ পান্থী অমনি। হৈরীত পান্থীগী মনা অদু অশী-হৈবোং পান্থীগী মনাগুম্না পায়বদা নপ-নপ লাওই অদুগী উগী মকু অদুসু মক্রুক-মক্রুক লাওই। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না হৈরীত পান্থী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, খা থংবা চাইনাগী লমদমশিং, নেপাল, সিক্কিম, ভুতান, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম অমসুং মালেসিয়াদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। পান্থী অসি তম্পাক অমসুং নেমতক তৌবা চীংগী মফমশিং সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ৬০০ তগীনা ১৯০০ ৱাংবা মফমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। পান্থী অসিগী মখোক অদু সেন্টিমিটর ১৫ দগী ২৫ ফাওবা চাউই অমসুং উ অদু মহুত পৌতক্লা য়াংই অদুগা মহৈ অদুনা সেন্টিমিটর ৩ লোম চাউই।

ঐখোয় অয়াম্বনা য়াম্না ঙক্লবা ৱাফমদি অমুনবা হৈরীত নৎত্রগা হৈবোং মহৈদা মতৌ করম্না তুমিৎশিং চংদুনা লৈরিবনো হায়বসিনি। হৈবোং পান্থী অয়াম্বা ঐখোয়না তুমিৎ হায়না কৌনবা ৱাসপ *(Wasp)* মখল অসিনা পোলিনেসন অমসুং ফর্টিলাইজেসন হায়না কৌনবা পান্থীশিংগী লাবা-



অমোম হকতিন্নহনবগী থবক অসি তৌই। হৈবোং পান্থীশিং অমসুং হৈরীত পান্থী পোলিনেসন অমসুং ফর্তিলাইজেসন তৌবগী মওং অসি অতোপ্পা পান্থীশিংদা তৌবদগী য়াম্না তোঙাল্লি। হৈরীত পান্থী অমদা লৈ মখল অহুম শাৎলি। অহানবদা লৈ লাবা, অনীশুবদা মখোক নৎত্রগা মচী য়াম্না শাংবা লৈ অমোম অমসুং অহুমশুবদা মখোক নৎত্রগা মচী অতেনবা লৈ অমোম অসিনি। মচী অতেনবা লৈ অমোম অদুবু গোল ফ্লৱর (Gall Flower) হায়না কৌনৈ। হায়রিবা লৈ মখল অহুম অসি পান্থীসিগী মহৈদা পুন্না পানমিন্নে। অহানবদা তুমিৎ অমোম অদুনা অনৌবা হৈবোং মহৈগী মনুংদা চংলগা মখোক নৎত্রগা মচী তেনবা লৈ অমোম অদুদা মরূম কোকশিল্লি। মতম অদুদা তুমিৎ লাবা অদুনা তুমিৎ অমোম অদুগা হকতিন্নে। ঐখোয়না খঙজিনগদবদি তুমিৎ লাবদি মসা (Wing) পান্দে অদুগা তুমিৎ অমোম অদুদি মসা পাল্লি। হেক হকতিন্নবা লোইবগা তুমিৎ লাবা অদুনা অনৌবা হৈবোং মহৈ অদুদা মখুল অমা হুৎলি। হায়রিবা মখুল অদুদগী লৈ লাবগী লৈরিকশিং (Pollens) পুদুনা তুমিৎ অমোম অদু হৈবোং মনুং অদুদগী মখুল অদু ফাওনা পাইথোকখিদুনা অতোপ্পা হৈরীত পান্থীগী লৈ অমোমদা তোংদুনা লৈ লাবা অমসুং অমোম অদু পোলিনেসন হায়বদি হকতিন্নবগী থৌওং চৎথৈ।

হৈরীত পান্থী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নে। হৈরীত পান্থীগী মমুন ফাদ্রিবা মহৈ অদু শুগাইরগা অমদি শোইরগা এঞ্জাং থোংদুনা চান্নে। মহৈ অদু মুল্লবা কান্দদি শিনতক তৌনা য়াম্না মহাও লৈবা হৈ মখল অমা ওইনা ময়াম্না পাম্না চান্নে। হৈরীত পান্থীগী উগী মকু অদু থৌরী শাবদা শীজিন্নে।



হীদাক ওইনসু হৈরীত পান্থী অসি মখল মখা কয়াগী অনা-লায়েংদা শীজিন্নে। পাউদম অমগী মতুংইন্না হৈরীত পান্থীগী মরা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু কোক চীকপদা লাইবক্তা তৈদুনা লায়েংনৈ। হায়রিবা মহী অদু অরুম-লায়হৌ তৌবা অমদি নুপীনা থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবদসু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা কন্না খোঙ হামথরবা অমদি ঈতোন ফায়রবদি হৈরীত পান্থীগী অনৌবা মহৈ অদু শুগাইরগা পীজবদা থোইদোক্লা কান্নহল্লি। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না হৈরীত পান্থীগী উগী মকু অদুগা উশোই পান্থী (Schima Wallichii) অমসুং জাম পান্থী (Syzygium cumini) উগী মকুশিং পুন্না শুগাইমিন্নরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা চাকখাও অমসুং থীবোং-থীরিল চাথৎপা অদু লায়েংনৈ। সিক্কিমগী মীওইশিংনা হৈরীত পান্থীগী অনৌবা মতোন অদু থেকপদা থোরকপা অঙৌবা মচুগী মখোম (latex) অদু তৈদুনা অপোম-অতং তৌবশিং অদু লায়েংনৈ। লিভর অনাবশিংদা হৈরীত পান্থীগী মরা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। হৈরীত পান্থীগী উগী মকু অদু মকক-মকক কল্লগা ঈশিংদা অহীং অমা তীংদুনা লৌবা ঈশিং মহী অদুনা ঈরুজবদা লেপ্রোসী হায়রিবা লায়না অসি লায়েংনৈ। ●

# মোদিগী বিল্লিনিয়র বচাও য়োজনা- অহানবা শরুক

**- যুগোল সাই -**

সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা নরেন্দ্র মোদিগী বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা চাওখৎ থৌরাংগী য়োজনাগী স্কীম চাম্মা চাম্মশিং লাওথোকপগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি এমপ্লোইমেন্ট জেলেরেসন প্রোগ্রাম, প্রধান মন্ত্রি উজালা য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি গরিব কালিয়ান য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি অসিনচিংবা য়োজনা পরেং অমা লেংদুনা লৈখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি এমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রামনা অনৌবা থবক অমত্তা পীদ্রে অদুগী মহুত্তা থবক মাঙবনা মশীং য়াম্লে। ফাসাল ভিমা য়োজনানা লৌমীশিংদা কান্নবা পীবগী মহুত্তা কোর্পোরেটশিংদা হেন্না কান্নরে। স্কীল ইন্দিয়ানা খূৎ-শা হৈবশিংদা কান্নবা পীবা ঙমদ্রে। জন ধন য়োজনাগী মখাদা বেঙ্ক একাউন্টশিং হাংবা কাঙ্খ থাঙ ওইনা তাদুনা লৈরে।

মোদিগী মখাদা য়াম্না মায় পাক্লা পাঙথোকপা য়োজনা অমখক্তি লৈরে। য়োজনা অসি মীয়ামদা লাউথোক্তবা অরোনবা য়োজনানি। য়োজনা অসিগী মমিং প্রধান মন্ত্রি বিল্লিনিয়র বাচাও য়োজনা কৌই। য়োজনা অসি য়াম্না মায় পাকপগী মরমদি মসি মীয়ামদা লাওথোক্তে। ঐখোয়না য়োজনা অসি লৈ হায়না উবা ফংলিবসি মসিদগী ফংখিবা মহয়শিং অদুদগী উবগী মতুংইন্ননি। অসুম্না য়োজনা অসি খঙবগী তঙাইফদবা লৈ।

য়োজনা অসিগী মখাদা হান্না বিল্লিনিয়রশিং ওইখ্রবশিংদা হেন্না বিল্লিয়নশিং হাপচিনবনি। থবক ফজনা তৌদবশিং অদুদা মতেং পাঙলগা মখোয়গী লন-থুম হেন্না ফংহনবনি। অহৌবদা বিল্লিনিয়রশিং ওইরমদবা কনাগুম্বশিং অদুদা মোদি লৈঙাক্লা বিল্লিনিয়রশিংদা থাঙ্গৎপীবনি।

য়োজনা অসিদা মরু ওইবা কান্নবা ফংখিবশিং অসিদা য়েংসি।

মুকেস অম্বানি x ২ য়োজনা

মোদি লৈঙাক্কী অহানবা চহী মরি শুরকপদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মুখেস অম্বানি অনীরক থোক্লা ইনাক খুনগৎখি। কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৯দা মহাক্কী লন-থুম হান্না দোল্লর বিল্লিয়ন ২৩ খক লৈরম্বদগী দোল্লর বীল্লিয়ন ৫৫দা মশীং অনী থোক্লা হেঙ্গৎনা ইনাক খুনগৎখি। মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্কী চহী ৫৮গী তাল্লকপা অমসুং অহল লমন্দগী ফংহৌবা পুম্নমক অদুদগী বি জে পিগী চহী মঙাগী তাঙ্কক অসিখক্লা হেন্না লন-থুম পৈশিনবা ঙমখি।

হৌখিবা চহী মঙা অসিদা অম্বানিনা থবক কন্না শূরগা নোংমদা ক্রোর ১২২ তানবা ঙমখি হায়বসি চিংননিংঙাই লৈতে। মসিগী তৌবীমল অসি কনানা পীবদগীনো? বি জে পিগী পোলিসিগী মতেং য়াওদনা মহাক্কী বীল্লিয়নশিং অসি পীক্লা লৈরমগনি।

মসি পুম্নমক অসি কুমজা ২০১৬কী সেপ্তেম্বরদা রিলায়েন্স জিও হৌদোকখিবা অদুদগী লাকখিবনি। জিও হৌদোকখিবা অদুদা পাউচেগী লমাই থনবা এদভর্টিজমেন্ট তৌখিবা ঐখোয় পুম্নমক্লা নীংশিংলি। জিও লোগোগা চাশিন্নবা ফিজেৎ শেৎগা এদভর্টিজমেন্ট হাপখিবা অদু অতোপ্পা কনা অমা নত্তে প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্লি। প্রাইম মিনিষ্টরগী অয়াবা য়াওদনা শক্তম শীজিন্নবা অসি মহৌশাগী ওইনা য়াদবা লৈ। অদুবু ঐখোয় অয়াম্বনা খঙলে মদুদি রিলায়েন্সনা মোদিগী শক্তম শীজিন্নখিবা অসি হান্না য়ানবা লৈতনা থৌনা ফনা শীজিন্নবা ঙম্লোই।

লল্লোনবা হৌখিবা কুমজা ২০১৬কী সেপ্তেম্বরদা ইন্দিয়াগী টেলিকোমগী পুৱারীদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা চহী অনীগী মনুংদা মসিগী সবসক্রাইবর অতিয়া পক্লা কাপখৎখি। থোইদোক হেন্দোক্লা মসি তৌহনখিবা অসি টেলিকোম রেগুলেটর ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (টি আর এ আই) না জিও রিলায়েন্সতা খুদোংচাবা পীবা পোলিসি অমা মায় পাকহনখিবদগীনি। জিও লোঞ্চ তৌখিবা থা অমগী মতুংদা টি আর এ আইনা অমগা অমগা শম্নহনবগী মমল মচিন তুম্না হন্থহনখি, মদুগী মহয় ওইনা চাদা ৫০ তাথখি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি সবসক্রাইবরশিংনা শমজিন্নবদা জিওনা মহাক্কী লম্বা তৌনরিবশিংদগী মমল পীক্লা পী। মসিনা হান্না লৈরিবা এয়রটেল অমসুং ভোদাফোনগুম্বা টেলিকোম ওপরেটরশিংদা অকনবা চৈফু অমা পীখি অমসুং রিলায়েন্স জিওনা বর ওইনা ফংখি।

কুমজা ২০১৬কী ঙল্লিঙৈদা রিলায়েন্স জিওনা চাংয়েং তৌরিঙৈগী তাঙ্কক্তা, জিওদা মতিক চানা শম্নবা পীদবদগী টি আর এ আইনা মনিং তম্না অতৈ ওপরেটরশিংদা পেনাল্টি ওইনা লুপা ক্রোর ৩০০০ নমশিনবিখি। মখোয়দা পীরিবা লাইসেন্স পীবগী য়ানখিবা মতম নুমিৎ ৯০নি ৱাৎলিঙৈদা মতম লৈরবফাওবদা জিও শমজিনবদা য়ানিংদবা ওপরেটরশিং অদুদা টি আর এ আইনা পেনাল্টি নমশিনবীখি। মসিনা জিওদা অচৌবা খুদোংচাবা লৌহনখিবগী মহয় ওইহনখি।

অমুক হন্না, জিওগা লাম্বা তৌনরিবশিংনা মমল শেম্বগী লমচত্তা অমনা অমবু হাৎপগী লমচৎ লাকপা অসিদা ৱাকৎপা লাকখি, কুমজা ২০১৮দা টি আর এ আইনা জিওগী কান্নবা পীনবা রুলশিং অমুক শেমদোকখি। মরমদি মমল শেম্বগী লমচত্তা অমনা অমবু হাৎনবগী রুলশিং কম্পেনি অমখক্তা কৈথেলগী পাঙ্গল পীনবা জিওগী মাইকৈদা লেপ্পগা টি আর এ আইনা রুলশিং শেমদোকই। মতম অদু ফাওবা কৈথেলগী পাঙ্গল অদু মেত্রিক মরিগী য়ুস্ফমদা পারগা শেমখি-রেভিন্যু মার্কেট স্যের, সবসক্রাইবর মার্কেট স্যের, ত্রাফিক অমসুং স্যেরগী ভোল্যুম। অদুবু জিওবু কান্নহন্নবা অমসুং মশাগী লৈরিবা অশেংবা কৈথেলগী পাঙ্গল অদুদগী তাথনা উৎনবা, টি আর এ আইনা ইচম চম্না কৈথেলগী পাঙ্গলগী মেত্রিক্সতগী ত্রাফিক অমসুং কেপাসিটিগী ভোল্যুম অদু লৌথোকখি। মদুগী মহয় ওইনা জিওনা অতৈ লম্বা তৌনরিবশিং হাৎপা ঙম্বগী শাজৎ চত্তুনা ককথৎলগা ফুরিৎখাও চোনবা ওইখি।

জিওগী ফনবা হোৎননবগীদমক্তা মোদি লৈঙাক্লা আর এস শর্ম্মবু টি আর এ আইগী পুৱারীদা কনাগুম্বা অমবু অমুক হন্না চ্যেরমেন হাপ্পা অসি অহানবনি। হৌজিক শর্ম্মা অসি জিওগী কান্নবা থবক তৌনবা অতোপ্পা চহী অনী মখা চথখি।

মসিদা করিসু চিংননিংহাই লৈতে মদুদি মুকেস অম্বানিগী দোল্লর বীল্লিয়নশিং দবলদা কাপখৎখিবা অসি মোদিগী লৈঙাক অমসুং টেলিকোম রেগুলেটর ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা জিওগী য়াইফনবা মপা শক্লা শৌগৎপীবদগীনি। মুকেস অম্বানিগী লন-থুমদা হেনগৎলক্লিবা অসিনা মসি তশেং তশেংলে। কুমজা ২০১৪ দগী ২০১৬ ফাওবা মুকেস অম্বানিগী লন-থুমদা অহোংবা লৈতে চাওরাক্লা দোল্লর বীল্লিয়ন ২৩ খক লৈখি। রিলায়েন্স জিও লোঞ্চ তৌরবা মতুংদা মহাক্কী লন-থুম অসি অতিয়া পক্লা কাপখৎখ্রে অমসুং কুমজা ২০১৯দা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫৫ য়ৌখ্রে। মসি চহী অহুমদা ইরায় লাইনা তানখি। মোদিনা চহী মঙা অমগা ওফিসতা ফম্লবদি অম্বানিনা তৌবা ঙমগদবা অঙকপা অসি কনাগুম্বনা ৱাখলনা শাগৎপা ঙমগনি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### হুরানগে য়াদবগী মপু ফূবা

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

লমদমসিদা তাবদা নুংঙাইতবা অৱাবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা তত্তনা নোংম কাংদনা তানরি। অমগী ওইরো, অমগীবু ওইরো থৌদোক কয়ানি। মসিদা হৌজিক্লা মহৈ তল্লিবা, পরিক্ষা থারিবা মহৈরোয় কয়াগী ৱাথোক্লা অমুক ফেনজিল্লকপনা লৈশেম লৈঙাক্তসু কোক শাবগী মৈশা হেক হেক ফংলি। মসিদা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়গী চহী পরিক্ষাদা থোক্লিবা ৱাথোক্লা ঈরাং অমুক ওইরক্লি। তুংগী য়ূম্বুরেল ওইরক্কনি খন্দুনা হোৎনরিবা মহৈরোয় খুন্নাইগী মরক্তা মহৈরোয় খরনা মহৈ তম্বনি হায়দুনা ময়ূমদগী থোকখ্রগা ঙাওশিন্নদুনা লৈথোকপসু কয়ানি। লাইরিক তম্নীংবগী ৱাখল্লোন লৈনদনা চহী শুনদ্রিঙৈ নুপা-নুপী কয়ানা ঈথক ঈরাংদা তাউদুনা লাইরিক পানগদবা মতমদা পানদনা য়ূম্বাল লম্বীদা চংনীংবা, কেনা মৌনা ৱাখলনা ঙাওনবা কয়াসু ময়াওরি, অফ-ফত্ত খঙনদে, ইকায় ইকি তুংওইনবসু কয়ানি। অদুগা ময়ূমদসু মমাঙদা লাইরিক থন্নগা মোবাইল মেত্তুনা লাইরিক পাবা শাবা, ৱাখল ঈরাং মরক্তা লাইরিক্লা পূক্লিং চংলক্তবা অসিগুম্বা কয়াসিনা পরিক্ষা মতমদা মদুগী মহয় ফংজবা নত্তনা কনাদা তাইনগনি।

মখোয়না তৌরিবা মতৌসি উনা, খঙনা মমা-মপা ওইবা ঐখোয়নসু য়েংশিনলুদবা, ঈরাং ফলাংদা লৈথোক্লখিবনা পরিক্ষাগী লাইরিক ইবা মতমদা খঙদবনা অৱাবা নংবতা নত্তনা ৱাথোক কয়াসু থোক্লরি। মসিদা অহলশিংনা ঙাঙলগসু অচুম্বা শানা হঙ্গৎনা খুমদুনা চৎপা লমচৎনা পরিক্ষা তৌরকপদদি হুরান লোন্নাদা নোট তৌদুনা থানবা হোৎনরি, তৌসু তৌরি । অদুবু হুরানবগী তরানি, মপুগী নোংমা হায়দুনা ওজানা ফারগা মখোয়না ওজাদা তাইনবগী ৱাহন্থোক্লা করি? ঐ ঐনা তৌরিবসে অচুম্বা নত্তে হুরানবনি হায়বা মহৈরোয়না খঙফম থোক্তবরা? ঐনা হুরানগে য়াদ্রগা মপু ওইবা ওজাদা ওনশিন দুনা তাইনবা হায়বসি চৎনবা য়াদ্রবা লোনচৎ ওইগনি খঙনদে। অসিগুম্বা কয়া অসিনা করম্না অফবা মী অমা ওইরক্কনি। অদুনা খুন্নাইগী অমদি থক-খা খঙবা তুংগী লম্বীদা অফবা য়ূম্বীরেল ওইরক্কনি হায়বসিসু থাজবগী ৱাংমদা লৈব্রা খল্লি। অদুবু ফরবসু ফৎত্রবসু মমা-মপা ওইবশিংনা ইচানা তৌরিবসি চুম্মী-চুমদে খন্থফমদি থোকপ্রা নীংই। মীগী মীমাংদা ইচা ফত্তে হায়দুনা খঙলসু উৎনা ৱাইনা খুমদুনা থম্বগুম থম্বগী মতম নৎত্রবা খল্লি। অদুনা ইচাশিংবু মহৈ তমহনবতা নত্তনা চৎন-কাঙলোন, থকসি-খাসি খরসু য়ূম য়ূমদা তম্বীফম থোকপ্রা নীংই। হৌজিক্কী চৎনরিবা মহৈরোয়গী লোনচৎসিনা হুরান-চিন্থি তৌদুনা নত্তবা ফৎত্রবা ৱাখলনা লাইশঙনি হায়নরিবা স্কুলগী মপোৎ মচৈ থুগাইবা, অনীশুবা ইমা-ইপানি হায়নরিবা ওজাবু মীরাইদুনা মপোৎ মচৈ অশোক অপন নংহনবা, মখোয়না তৌগে হায়রিবমখৈ য়াও হায়বগী ৱাখল্লোন চৎপা মহৈরোয়শিং অসিবু অফবলক্তা চনখিগদ্রা। মখোয়না নোট তৌগে, শিনগে হায়রগা শিলহনবা তারগদি পরিক্ষা তৌরুবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? অদুনা মহৈরোয় খুন্নাই মরক্তা শাজৎ লিচৎ চুমদবনা ওজাশিংবু অশোক অপন থোকহল্লিবা অসিনা ময়ূমগী অপোকপা-অপোকপী ফাওবা শোয়দনা নোংমদি ফূরক্কদ্রা চিংনদবা ঙমদে, ফূবসু য়াওরমগনি খল্লি। অদুনা পরিক্ষা থাবদি লাক্লগা নোট তৌদুনা শিনবা, নোট তৌবগী ফারগা ওজাদা তাইনবা হায়বসি 'হুরানগে য়াদবগী মপু ফুবা' হায়বদুনি। ওজাগী তৌফম থোকপা অচুম্বা মথৌ তৌজবনি অদুনা ওজাদা তাইনবদি লানবতা নত্তনা ওজানা মখোয়বু ঙাকপীগদৌবা মান্দে।

**অদোমগী - তবানু খুরাইজম**
**ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়**

## মরোল থোকপা লাই

